## রেপিদ কোরোনাভাইরস টেষ্ট এপ্রুভ তৌখ্রে

ৱাশিংটন, মার্চ ২২ (এজেন্সি) :
মিনিট ৪৫ খক্কী মনুংদা কোরোনাভাইরস দিটেক্ট তৌবা ঙম্বা অহানবা রেপিদ কোরোনাভাইরস দাইগ্নোষ্টিক ষ্টেট য়ু এসকী ফুদ এন্দ দ্রগ এদমিনিষ্ট্রেসন্না এপ্রুভ তৌখ্রে।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা কোরোনা-ভাইরসকী চাংয়েংগী দিমান্দ থুংহন্নবা হোৎনরকপদা অনৌবা টেষ্ট অসি অয়াবা পীখিবনি।

## স্পেনদা শিবা ১,৩০০ হেল্লে

মাদ্রিদ, মার্চ ২২ (এজেন্সি) :
স্পেনদা কোরোনাভাইরসনা শিহনবা মী মশিং ১,৩০০ হেনখিবগা লোয়ননা ইনফেক্সন মশিং ২৫,০০০ লোম য়ৌশিনখ্রবা মতুংদা শাথিরবা লায়না-লাইচৎ অসি থেংনবদা লৌখৎফম থোকপা থৌরাং খুদিংমক লৌখৎকনি হায়না থাংজ নুমিত্তা স্পেনিস গভর্নমেন্টনা ফোঙদোকখ্রে অমসুং লৈবাক অসিদা খ্বাইদগী শাথিবা ফিভম লাকখিগদবা ৱাৎলি হায়না চেকশিনৱা হায়খ্রে। লাইচৎ অসিনা খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লিবা য়ুরোপকী অনীশুবা লৈবাক অসিদা ইনৌ নৌনা মীওই ৩০০ শিখিবনি।

## য়ু এসকী ওফর ইরানগী খামেনৈনা য়াখিদ্রে, কোরোনাভাইরস মায়থিবা পীগনি হায়খ্রে



দুবাই, মার্চ ২২ (এজেন্সি) :
ইরাননা নোভেল কোরোনা-ভাইরসকী লাইচৎ থেংনবদা মতেং পাংগে হায়না য়ু এসনা ওফর তৌরক্লিবসি ঙক্লিংঙাইনি হায়না ইরানগী সুপ্রিম লিদর অয়াতোলা অলি খামেনৈনা নোংমাইজিং নুমিত্তা টেলিভিজনদা শন্দোকখিবা স্পীচ অমদা হায়খিবগা লোয়ননা য়ু এসকী লুচিংবশিংবু মহাক্না ময়ামদগী খঙ হৈবা হেনবা, তৌবা ঙম্বা শাবা চীন্থীবশিংনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ৱাশিংটন্না কোরানাভাইরসনা খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লবা মিদল ইষ্টকী লৈবাক ওইরিবা মতম শাংনা য়েংথিংনরক্লবা ইরানদা হ্যুমেনিটেরিয়ন মতেং ওফর তৌখিবনি। শাথিরবা লায়না-লাইচৎ অসিদা ইরানদা হৌজিক ফাওবদা মীওই ১,৬৮৫ শিখিবগা লোয়ননা মীওই ২১,৬৩৮ পোজিটিভ ওইরবনি।

য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা টেহরানগী কুমজা ২০১৫ দা মালেমগী পৱার তরুক্কা খুৎয়েক পীনখিবা ন্যুক্লিয়র দিলদগী কুমজা ২০১৮ দা ৱিথদ্রো তৌদুনা ইরানগী মায়োক্তা অথিংবশিং অমুক হন্না থমদুনা লৈবাক অসিগী শেল-থুমগী ফিভম চাওনা শোকহনবদগী লৈবাক অনীগী মরক্তা কন্না উংখৎনদুনা লাকখিবনি।

অমেরিকানশিংনা কয়ারক হন্না লায়না-লাইচৎ অসি থেংনবদা মতেং পাংগে হায়না ঐখোয়দা ওফর তৌরকপা লৈখ্রে। অমেরিকামক্তদা লাইচৎ অসিনা খুদোংচাদবা কয়া থোকহন্দুনা লৈরিঙৈসিদা অসিগুম্বা ৱাফম হৌদোরকপসি ঙক্লিংঙাই ওইবদা নত্তনা অমেরিকানশিংবু ভাইরস অসি পুথোকখিবগী মরাল শীবা লৈখ্রবনি হায়না ইরানগী থবক থৌরম অমদি পোলিসিশিংগী মতাংদা অরোয়বা ৱারেপ লৌরিবা মতম চুপ্পদা য়ু এসপু য়েংথিদুনা লাকখিবা খামেনৈনা ফোঙদোকখি। চৈরকসিদা লৈবাক অসিদা কোরোনাভাইরসকী লাইচৎ নেমথবা হৌরকপগী খুদম-চাংদমশিং লৈরে হায়না ইরানগী হেল্থ ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখ্রে। টেহ্রান অমসুং মাজনদরনগুম্বা লাইচৎ অসিনা খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লিবা মফমশিং য়াওনা ইরানগী প্রোভিন্স খুদিংমক্তা লাইচৎ অসিগী খোঙজেল নেমথরক্লে হায়না মহাক্না মখা তাখি।

## কোরোনাভাইরস লাইচৎ মরক্তা য়ুহা হাখ্রে



জগরেব, মার্চ ২২ (এজেন্সি) :
ক্রোয়েসিয়াগী কেপিটেল জগরেব মনাক্তা নোংমাইজিং নুমিত্তা য়ুহা কন্না হাদুনা সিটি অসিদা লৈবা এপার্টমেন্ট বিল্ডিং অমা নীংখায়বদা চহী ১৫ রোমগী লেঙ্গা ওইবা নুপামচা অমা ফিভম লুনা শোক্লে হায়না জি এফ জেদ জর্মন রিছার্স সেন্টর ফোর জিও-সাইন্সেস অমসুং হোস্পিটাল ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

চহী নৌরিবা মীওই অমসু ফিভম থিনা শোকখিবগা লোয়ননা য়ুহা হাবা অদুনা কেপিটেলগী মফম কয়াদা মৈ চাকপা অমদি মৈ পীবা লেপ্পনচিংবা কয়া থোকখি হায়না হোস্পিটাল অমসুং ইমর্জেন্সি সর্ভিসেসনা ফোঙদোকখি।

প্রাইম মিনিষ্টর অন্দ্রেজ প্লেনকোভিকনা সিটিজনশিংদা অফটর শোক কয়া থোক্লকপা য়াবগী ফিভম লৈবদগী য়ুমগী মপান্দা লৈননবা আপিল তৌখি।

লৈবাক অদুনা কোরোনাভাইরস শন্দোরকপা হন্থনবা অকনবা থৌরাং কয়া লৌখত্তুনা লৈরিঙৈদুদা প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং ইন্টরিয়র মিনিষ্টর দাভোর বোজিনোভিকনা য়ুহা হাবদগী লম্বীদা চেল্থোক্লরিবা মীয়ামদা অমগা অমগা য়ারিবমখৈ লাপথোক্লনবসু আপিল তৌখি। হৌজিক ফাওবদা ক্রোয়েসিয়াদা ভাইরস অসিগী কেস ২০৬ রিপোর্ট তৌখিবগা লোয়ননা মীওই অমা শিখ্রবনি।

## শ্রীলঙ্কান ওথোরিটিশিংনা কর্ফিয়ু থুগায়বা মীওই ৩৪০ ফাগৎখ্রে




কলম্বো, মার্চ ২২ (এজেন্সি) :
শ্রীলঙ্কাদা নোভেল কোরোনাভাইরস শন্দোরকপা লেপহন্নবা নৎত্রগা য়ারিবমখৈ লাকশিন্নবা লৌখৎলকপা খোঙথাংগী শরুক অমা ওইনা ইথৎ লৈবাক অসিগী গভর্নমেন্টনা থমখিবা কর্ফিয়ু থুগায়বগীদমক্তা ওথোরিটিশিংনা মীওই ৩৪০ ফারে হায়না পুলিসনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

দেলি ফাইনান্সিএল টাইমস পাউচেগী রিপোর্ট মতুং ইন্না কর্ফিয়ু থুগায়বা মীওইশিং ফাগৎখিবদু মার্চ ২০ গী অয়ুক পুং ৬ অমসুং নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ৯গী মরক্তনি। ফাগৎখিবশিং অদুগী মরক্তগী খরনা পব্লিক প্লেগ্রাওন্দশিংদা থোক্তুনা শান্নরমখি। মখোয় খরদি দুকান হাংলমখি অদুগা খরনা লম্বীদা থোক্তুনা য়ু ঙাওরমখি হায়না পুলিস মিদিয়া দিভিজন্না ফোঙদোকখি।

পুলিস মিদিয়ানা মখা তারদুনা কর্ফিয়ু থুগায়রিবা মীওইশিং অসিগী মায়োক্তা লিগেল এক্সন লৌখৎলগনি হায়না ফোঙদোকখি।

চৈরকসিদা, কেপিটেল কলম্বো, গম্পাহা অমসুং পুটালম দিষ্ট্রিক্টশিংদা কর্ফিয়ুগী মতম লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ুক পুং ৬ ফাওবা শাংদোকহনখিবগা লোয়ননা পুং খরা কোমথোক্লবা মতুং নুমিৎ অসিমক্কী নুংথিল পুং ২ তাবদা মখা তানা কর্ফিয়ু থমগনি হায়রি। লৈবাক অসিগী ওথোরিটিশিংনা ইরাই নুমিত্তা মার্চ ২৩ ফাওবা কর্ফিয়ু লাউথোকখিবনি।

নেসনল ইলেক্সন কম্মিসন্না শগোলশেল নুমিত্তা লৈবাক অসিগী পার্লিয়ামেন্টরি মীখল মখা তাবা নোটিস থোক্লিফাওবা য়ৈথোক্লগনি হায়না লাউথোকখিবা মতুংদা কর্ফিয়ু লাউথোকপগী খোঙথাং অসি লাউথোরকখিবনি।

লৈবাক অসিগী পার্লিয়ামেন্টরি মীখল এপ্রিল ২৫ দা পাঙথোক্লবা লেপ্পম্বনি। শগোলশেল নুমিত্তা গভর্নমেন্টনা পব্লিক অমসুং প্রাইভেট সেক্টর অনীমক্কী ওইনা মার্চ ২০ দগী হৌরগা মার্চ ২৭ ফাওবা য়ুম-য়ুমদা থবক শুনগদবনি হায়নসু লাউথোকখি।

অমরোমদা কোরোনাভাইরস কন্ট্রোল তৌনবা থল্লিবা অথিংবশিংগী মায়োক্তা শ্রীলঙ্কাগী জেল অমগী প্রিজনশিংনা চথখিবা প্রোটেষ্ট অমদা গার্দশিংগা খুৎ থোক্লবদা মীশি-মীনা কয়া থোক্লে হায়রি।

## ইটালিদা অশিবা মশিং ৮০০ হেনগৎখ্রে ক্যুবানা দোক্তর টিম থাখ্রে, রসিয়ানসু মতেং পাংলগনি

রোম, মার্চ ২২ (এজেন্সি) :
ইটালিদা কোরোনাভাইরসনা শিহনবা মী মশিং থাংজ নুমিত্তা ৮০০ লোম হেনগৎখিবগা লোয়ননা মালেমগী লায়না-লাইচৎ অসিনা খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লবা লৈবাক অসিদা শিরিবা মী মশিং ৫,০০০ রোম য়ৌরে।

লাইচৎ অসিবু থিংনবা লৈবাক অসিনা ইনৌ নৌনা ককঙাওনদুনা লৌখৎলকপা থৌরাং অমা ওইনা লৈবাক অসিগী বিজিনেস পুম্বা এপ্রিল ৩ ফাওবা ক্লোজ তৌনবা ওর্দর তৌখ্রে। অথিংবা অসিনা লৈবাক অসিগী সপ্লাই চেইনদা অকায়বা থোকহন্দনবা ইসিন্সেয়ল সর্ভিসশিংদি কোল্লোই।

ফেসবুক্তা থাগৎপা ভিদিও পোষ্ট অমদা প্রাইম মিনিষ্টর গিয়ুসেপে কোন্টেনা হায়খি মদুদি, অনীশুবা লাঞ্জাও মতুংদা ইটালিনা হৌজিক মায়োক্লরিবা খ্বাইদগী লুবা ক্রাইসিস অসিদা শুপ্নগী নেসনল প্রদক্সনদা য়াম্না তঙাইফদ্রিবা পোথোক পুথোকপগী থবকশিংদমক মহৌশাগুম মখা চথহনগনি।

কোন্টেনা করম্বা ফেক্টরিশিং অমসুং বিজিনেসশিংনা লৈবাক অদুগী সপ্লাই চেইনদা মরু ওইগদগে হায়বদুদি শেংনা পনখিদে। গভর্নমেন্টকী মায়কৈদগী নোংমাইজিং নুমিত্তা ইমর্জেন্সি দিক্রি অমা হীরম অসিগী মতাংদা থোক্লগনি।



চৈরকসিদা ইটালিগী কোরোনাভাইরসনা খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লবা রিজন লোম্বার্দিনা হায়জরকখিবগী মতুং ইন্না নোভেল কোরোনাভাইরস থেংনবদা মতেং পাংনবগীদমক্তা অহানবা ওইনা চয়োল অসিদা ইটালিদা দোক্তরশিং অমসুং নর্সশিংগী বৃগেদ অমা থাখ্রে হায়না কুম্ম্যুনিষ্ট লৈবাক ক্যুবানা ফোঙদোকখ্রে।

প্রাসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিনগী ওর্দর অমা লাকখিবগা লোয়ননা অনৌবা কোরোনাভাইরস থেংনবদা মতেং পাংনবগীদমক রসিয়ন মিলিটরিনা ইটালিদা নোংমাইজিং নুমিত্তগী মেদিকেলগী মতেং থাবা হৌরগনি হায়না রসিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে। প্রসিদেন্ট পুটিননা থাংজ নুমিৎকী অথেংবদা ইটালিগী পি এম কোন্টেগা ফোনদা ৱারী শানখিবা মতুংদা খোঙথাং অসি লাক্লিবনি।

## অফঘান সিক্যুরিটি পর্সনেল ৪০ হেন্না হাৎখ্রে



কাবুল, মার্চ ২২ (এজেন্সি) :
মতম শাংলক্লবা লানগী চৈথেং নংলবা অফঘানিষ্টানদা হাৎন-শুনবগী থৌদোকশিং হন্থহন্নবা হৌখিবা থাদা টালিবাননা য়ু এসকা পিছ এগ্রীমেন্ট অমা খুৎয়েক পীনখিবা লৈনা লৈনা হৌখিবা পুং ৪৮ অসিদা মিলিটেন্ট গ্রুপ অসিনা চথখিবা এটেক কয়াদা অফঘান নেসনল দিফেন্স এন্দ সিক্যুরিটি ফোর্সেস (এ এন দি এস এফ)কী মীওই ৪০ হেন্না শিখ্রে হায়রি।

থাংজ নুমিত্তা তোলো ন্যুজকী রিপোর্টনা ফোঙদোকখিবদা, এটেকশিং অদু জাবুল, কাপিসা অমসুং বগলাল প্রোভিন্সশিংদা চথখিবনি। টালিবান্না ইরাই নুমিৎকী নুমিদাংদা কাপিসাগী নজরব দিষ্ট্রিক্তা চথখিবা এটেক অমদা লোকেল পুলিস অমসুং পব্লিক অপরাইজিং ফোর্সেসকী মেম্বর ৪ শিখি। এটেক অদুদা লোকেল পুলিস পর্সনেল ১০ সু শিখি হায়না দিষ্ট্রিক্ট এম পিশিংনা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, টালিবান্না নেজরাবতা চথখিবা এটেক্তা হান্নগী মুজাহিদিন লিদর ইলিয়াজ শিরে হায়নসু কাপিসাগী লোমেকরশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

চৈরকসিদা নোরদর্ন বগলানগী লোকেল ওফিসলশিংনা হায়খ্রে মদুদি, ইরাই নুমিৎকী অহিংদা টালিবান্না পুলিস চেক পোইন্টদা এটেক তৌদুনা য়ামদ্রবদা লোকেল পুলিসকী মীওই ২ হাৎখ্রে।

মিনিষ্ট্রি ওফ দিফেন্সকী মতুং ইন্না চেক পোইন্ট অমদা এটেক তৌদুনা য়ামদ্রবদা অফঘান লাম্মী অমসুং পুলিসকী মীওই ১৭ হাৎখিবা মতুং নোংমখক লৈরগা চথরক্লিবা এটেক অদুবু অফঘান গভর্নমেন্টকী লিদরশিং অমসুং কাবুলদা লৈবা য়ু এস এম্বেসি অমদি নাটোগী অফঘানিষ্টানদা লৈবা রিপ্রজেন্টেটিভনা কন্দেম তৌখি।

মালেম শীন-থুংনা শাথিরবা লায়না-লাইচৎ অমা কন্না শন্দোরক্লিঙৈ মরকসিদা অসিগুম্বা শাথিরবা এটেকশিং চথরক্লিবসি য়াম্না মতম চাদে। হৌজিক লৈবাক অসিদা মরা তপ্পা ফিভম লৈহনবগী মতমনি হায়না কাবুলদা লৈবা য়ু এস এম্বেসিনা ত্বিটরদা ফোঙদোকখি।

## ইজিপতা অর্কিওলোজিকেল সাইটশিং, মোস্কশিং অমসুং চর্চশিং থিংজিনখ্রে

কাইরো, মার্চ ২২ (এজেন্সি) :
কোরোনাভাইরস শন্দোরকপা য়ারিবমখৈ লাকশিন্নবগীদমক্তা ইজিপগী ওথোরিটিশিংনা অর্কিওলোজিকেল সাইটশিং, মোস্কশিং অমদি কোপটিক চর্চশিং থিংজিনখ্রে।

হৌজিক ফাওবদা লৈবাক অসিদা কোরোনাভাইরস ইনফেক্সন ২৯৪ য়ৌখিবগা লোয়ননা লায়না অসিনা মরম ওইদুনা মীওই ১০ শিখ্রবনি।

অপুনবা মীশিং মিলিয়ন ১০০ গী চাদা ৮৫ মুস্লিমশিং ওইবা লৈবাক অসিদা গভর্নমেন্টনা থাংজ নুমিত্তা ইরাই নুমিৎকী লাইশোন থৌরমশিং লেপ্পনবা অমদি মোস্ক খুদিংমক চয়োল অনী চুপ্পা থিংজিন্নবা ৱারেপ লৌরে হায়না ইফে ন্যুজনা ফোঙদোকখি।



হায়রিবা মতম অসিদা লৈবাক অদুদা লৈরিবা অপিকপা মোস্কশিং অমসুং চাপেলশিংসু থিংগদবনি হায়রি।

অমরোমদা, লৈবাক অদুগী মোস্কশিংনা মখা তানা নোংমদা লাইশোন মঙারক পাঙথোক্লবা মীয়ামদা খঙহনগদবা ওইরবসু মুস্লিমশিংনা ময়ুম-ময়ুমদা লাইশোন পাঙথোক্লবা য়াই হায়না ওথোরিটিশিংনা ষ্টেটমেন্ট অদুদা ফোঙদোকখি। অল-অজার মোস্ককী ইমাম অহামদ অল টায়েপ্পসু ইরাই নুমিৎকী লাইশোন থৌরম মতম খরগী ওইনা য়ৈথোক্লে হায়না লাউথোকখি।

হৌজিক্কী ফিভম অসিদা খ্বাইদগী মরু ওইরিবসি কোরোনাভাইরসকী লাইচৎ লোইদ্রিফাওবা লাইনিং-লাইশোনদা থাজবশিংবু খুদোংথিবা নংহন্দবা অসিনি হায়না মহাক্না চেকশিন্না ফোঙদোকখি। মালেমগী মরু ওইবা ইস্লামিক সুনি ওথোরিটি ওইরিবা অল-অজার কাউন্সিলনা নোংমাইজিং নুমিত্তা রুলিং অমা থোক্তুনা লৈবাক শীন-থুংনা কংগ্রেসনেল লাইশোনশিং পাঙথোকপা লেপ্পবা খঙহনখি।

কোপটিক চর্চকী হোলি সিনোদকী ষ্টেন্দিং কম্মিটিগী মীফম অমা পোপ তৱাদ্রোজ টুনা প্রিসাইদ তৌদুনা পাঙথোকখি অমসুং মদুদা লাইশঙ খুদিংমক মখা তাবা নোটিস থোক্লিফাওবা থিংজিনহন্নবা ৱারেপ লৌখি। অদুমওইনমক অশিবশিংগী অরোয়বা মথৌ-মঙম পাঙথোকপগী থৌরমশিংদি ইমুং-মনুংশিংখক য়াওরগা পাঙথোকপা য়াহনগনি।

## পলিষ্টিনিয়নশিং তারিবা গজা ষ্ট্রিপতা কোরোনাভাইরস কেসশিং থেংনরে



গজা, মার্চ ২২ (এজেন্সি) :
কোরোনাভাইরসকী অহানবা কেস অনী মীকুংনা তাবা গজা ষ্ট্রীপতা কনফার্ম তৌরে হায়না পলিষ্টিনিয়ন হেল্থ ওফিসলশিংনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

চহী ৩০গী মথক্কী লেঙ্গাশিং ওইবা পলিষ্টিনিয়ন নুপা অনী পাকিষ্টানদগী ইজিপ ফাওরগা হল্লকপদা থাংজ নুমিত্তা ভাইরস অসি চাংয়েংদা পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনখি। মখোয় বোর্দর টাউন রফাদা শেল্লিবা ক্বরন্টাইন মফমদা থমখ্রে হায়না গজাগী হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখি।

মখোয়গী ফিভম নুংশা থিনিংঙাই ওইদ্রে হায়না মিনিষ্ট্রি অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

গজা গভর্নমেন্টকী চ্যেরমেন সলামা মারোপনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখিবদা লাইগী থৌজালদগী মীওইশিং অসিগী কন্টেক্টকী সর্কল চাওরমদ্রে। মীওই অনী অসিনা থেংনখিবা মীওই খুদিংমকসু ক্বারন্টাইন তৌদুনা থল্লে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

কোরোনাভাইরস শন্দোকপী রিস্ক য়ারিবমখৈ নেমহন্নবগীদমক্তা গজাদা লৈরিবা স্কুলশিং, পব্লিক মার্কেটশিং অমসুং থৌরম পাঙথোকফম হোল খুদিংমক চয়োল অনীরোম থিংজিন্দুনা লাকখিবনি। স্কৱার কিলোমিটর ৩৭৫ পাক চাওবা সমুদ্র খোংবানগী এনক্লেভ অসিদা পলিষ্টিনিয়ন মিলিয়ন ২ রোম লৈরিবনি।

গজা ষ্ট্রিপতা মতিক ময়াই লৈনা ওপরেট তৌরিবা ইস্লামিষ্ট মিলিটেন্ট গ্রুপ হমাসনা হৌখিবা চয়োলদা লাউথোকখিবা অমদা শুপ্নগী য়াম্না থুনা অনা-লায়েং চথদবা য়াদবা পেসেন্টশিংদমক গজাদগী মপান্দা ইজিপ নৎত্রগা ইজরেলদা চৎপা য়াগনি হায়খিবনি। পলিষ্টিনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা ওক্যুপাইদ ৱেষ্ট বেঙ্ককী ওইনা কনফার্ম তৌরবা কোরোনাভাইরস কেস ৫৯গী লিষ্ট অমা পুথোকখ্রবনি।

## পাকিষ্টানদা পাইরকপা ইন্টরনেসনল ফ্লাইটশিং চয়োল ২ থিংখ্রে

ইস্লামাবাদ, মার্চ ২২ (এজেন্সি) :
ফোরেন ট্রাভেল্লরশিংগী খুথাংদা কোরোনাভাইরস ইনফেক্সন শন্দোরকপা থিংনবা লৌখৎলকপা খোঙথাং অমা ওইনা মথংগী চয়োল অনী ফাওবগী ওইনা পাকিষ্টান্দা পাইরকপা ইন্টরনেসনল ফ্লাইট খুদিংমক অথিংবা লৈরগনি হায়না লৈবাক অসিগী গভর্নমেন্টনা লাউথোকখ্রে হায়না নোংমাইজিং নুমিত্তা মিদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।

ৱারেপ অসি নোংমাইজিং নুমিত্তা প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খান্না চ্যের লৌদুনা পাঙথোকখিবা নেসনল কোওর্দিনেসন কম্মিটিগী মীফম অমদা লৌখিবনি হায়না দোন ন্যুজনা ফোঙদোকখি।

প্রাইম মিনিষ্টরগী নেসনল সিক্যুরিটিগা মরী লৈনবা স্পেসল এসিষ্টেন্ট মোয়িদ য়ুসুফনা প্রেস কনফরেন্সতা ফোঙদোকখিবা ৱারোল পল্লদুনা রিপোর্ট অদুনা হায়, অথিংবা অসি পেসেঞ্জর, চার্টর অমসুং প্রাইভেট ফ্লাইট খুদিংমক্তা চৎনগনি। অদুমওইনমক পাকিষ্টান ইন্টরনেসনল এয়রলাইন্সপু হান্না মপান্দা লৈখ্রবা এয়রলাইন্স অসিগী প্লেন খুদিংমক পুশিল্লকপদি য়াহনগনি।



অমরোমদা, য়ুসুফনা পাকিষ্টানদগী মপান্দা পাইবা ইন্টরনেসনল ফ্লাইটশিংদি ৱারেপ অসিনা শোকহনগদ্রা হায়বদুদি পনখিদে।

সীন্দ, পঞ্জাব, বলোচিষ্টান অমসুং খাইবর-পাখতুনখ্বাদা অনৌবা কেস কয়া দিটেক্ট তৌখিবগা লোয়ননা পাকিষ্টান্দা কোরোনাভাইরস কেস মশিং ৬৪৫ য়ৌখ্রে অমসুং লাইচৎ অসিদা লৈবাক অসিদা শিখিবা মী মশিং অহুমদা লৈরি হায়না পাকিষ্টানি হেল্থ ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

থাংজ নুমিৎকী অথেংবা ফাওবদা কোরোনাভাইরসনা খ্বাইদগী হেন্না শোকহনবা সিন্দ প্রোভিন্সতা কোভিদ-১৯গী কেস খ্বাইদগী মশিং য়াম্না ২৯২ য়ৌখি। পঞ্জাব অমসুং বলোচিষ্টানদা মথংশিংনা কেস ১৩৭ অমসুং ১০৪ য়ৌখি হায়রি।